HUEIYEN LANPAO

# এফ সী জালেননা ক্লাসা কৈনৌ মায়থীবা পীদুনা সী সী মীটকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চত্থরিবা ৬০ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ, কে সী এস আই, সী বি ঈ, মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লমদমসিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল টিম অমা ওইরিবা এফ সী জালেন সদর হিলস মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা এফ সী জালেন সদর হিলসনা ক্লাসা কৈনৌ গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা এফ সী জালেন ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। মায় পাক্লবা এফ সী জালেন্না ক্বার্টর ফাইনেলদা মপান্দগী শরুক য়ারিবা টিম আসামগী কোক্রাঝারদা লৈবা বরহুংকা এ সীগা থা অসিগী ১৬ কী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী মপাঙ্গল কল্লবা টিম অনী ক্লাসা কৈনৌ অমসুং এফ সী জালেন সদর হিলস অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা টিম অনী অসিগী সপোর্টরশিংনা লাউ খোঙদুনা শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎখি।

মপান কাংজৈবুংগী ৱেষ্টর্ন গেল্লরি পীক থন্না য়েংখিবা মীয়াম অদুনা অঙনবা মতমদগী হৌনা টিমশিংবু সপোর্ট তৌদুনা লাকখিবগা লোয়ননা মেচ অসি খ্বাইদগী নুংঙাইবা মেচশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। করম্বা টিম্না মায় পাক্কদগে হায়বা ঙমখিদবা মেচ অদুদা এফ সী জালেন সদর হিলস অমসুং ক্লাসা কৈনৌগী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা গোল চনবা হৌনরকখি।

মেচ অদুগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মঙাশুবা মিনিটতা ক্লাসা কৈনৌগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় নবচন্দ্রনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। ক্লাসা কৈনৌনা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং গোল শোত্থরিবা এফ সী জালেনগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা মেচ অদুগী ৭ শুবা মিনিটতা মমিং লৈরবা শান্নরোয় পাওলেনলাল খোংশাইনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং টিমগী অহেনবা গোল চন্নবগীদমক অমনা অমগী মায়োক্তা অকনবা এটেক কয়া লেপ্তুনা চত্থনখি। অদুবু মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী গোল ১-১ দা লৈনখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা এফ সী জালেনগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মীকুপ নাহুমশিংনা শান্নরকখিবনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংনা লৈখি। অদুম ওইনমক ক্লাসাগী শান্নরোয়শিংনসু থৌনা হনবা লৈতনা শান্নখিবনা টিমগী গোল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়াসু ফংখি। মেচ অদুগী ৫৬ শুবা মিনিটতা এফ সী জালেনগী ষ্ট্রাইকর সাইখোহাও তুইবোনা টিমদুগী অনীশুবা গোল চনখি।

এফ সী জালেন্না গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ৮৬ শুবা মিনিটতা টিমদুগী শান্নরোয় লালমিনলিয়ান ৱাইফৈনা টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। এফ সী জালেন্না গোল অনী মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং মেচকী অরোইবা মীকুপ্তা লানমিনথাং তৌথাংনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা এফ সী জালেনদগী গোল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মখা তানা ক্লাসা কৈনৌনা গোল চনবা ঙমদবদগী এফ সী জালেনগী মখূৎতা ৩-২ দা মায়থীহৌখি।

চত্থরিবা সী সী মীট অসিগী হয়েংগী মেচ লৈরোই। অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ থা অসিগী ১৫ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা দি এম রাও অৱাং সেকমাই অমসুং নেরোকা এফ সী শঙাকফমগা শান্নরগনি।

# প্রেমজিৎনা সী ৱাই এল সী টেনিস চেম্পিয়নশিপকী মেন’স ওপন সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ ঃ

এসোসিএশন ওফ টেনিস লবরস (এ টি এল) চীংঙামথক্না শিন্দুনা চীংঙামথক্কী টেনিস কোর্টতা চত্থরকখিবা তরুক শুবা সী ৱাই এল সী টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা এন প্রেমজিৎনা মেন’স ওপন সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেন’স ওপন সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা এন প্রেমজিৎনা টি ব্রোজেন ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মেন’স ওপন সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা এন প্রেমজিৎনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৬ কী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা টি ব্রোজেন্না ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৫ গী শেলগী মনা ফংখি। লোয়ননা সেমী ফাইনেলিষ্টশিংদসু লুপা লিশিং ১/১ গী শেলগী মনা ফংখি।

ঙসি শান্নখিবা চহী ৪০ মথক্কী ভেটেরান দবলসকী ফাইনেলদা এন দিলিপ অমসুং ঐচ ইবোতোম্বী অনীগী জুরানা কংজাম্বা অমসুং সনাতোম্বগী জুরাবু ৬-৩, ৭-৬ (৭/৫) তা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা এন দিলিপ অমসুং ঐচ ইবোতোম্বী অনীগী জুরানা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৬ কী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা কাংজাম্বা অমসুং সনাতোম্বগী জুরানা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৪ গী শেলগী মনা ফংখি। লোয়ননা সেমী ফাইনেলিষ্টশিংদসু লুপা লিশীং ১/১ গী শেলগী মনা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা চহী ১২ মখাগী নুপামচাগী ফাইনেলদা বুশন্না অশ্বরজিৎপু গেম ১০-২ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা বুশন্না ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৪ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা অশ্বরজিৎনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ২ গী শেলগী মনা ফংখি। লোয়ননা সেমী ফাইনেলিষ্টশিংদসু লুপা ৫০০/৫০০ গী শেলগী মনা পীখি।



# নেসনল স্পোর্টস মীট ফোর ব্লাইন্দদা বিদ্যারানি, মঞ্জুর হুসেননা গোল্ড, সলমান খাননা শিলভর, বুধিনন্দনা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ ঃ

ন্যু দেল্লিগী টিয়াগরাজ ষ্টেদিয়মদা ঙরাং ২০শুবা স্পোর্টস মীট ফোর দ ব্লাইন্দ ২০১৬ এম পি মিনাক্সি লেখিনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ইনষ্টিট্যুসন ৮০ গী নুপী ব্লাইন্দ এথলেট ২৫৫ য়াওনা অপূনবা ব্লাইন্দ এথলেট ৭৫৫ না শরুক য়ারি। স্পোর্টস মীট ফোর দ ব্লাইন্দ অসিদা মিটর ১০০, ২০০, ৮০০, ১৫০০ গী লমজেল, সোট পুট, জেবলিন থ্রো, দিস্কস থ্রো, লোংজম, ৪ X ১০০ মিটর, ৪ X ৪০০ মিটর গী লমজেল অমদি চেছ মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নরি।




থা অসিগী ১৫ ফাওবা নুমিৎ ৪ নি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল স্পোর্টস মীট ফোর দ ব্লাইন্দ অসিদা শরুক য়াখিবা আইদিএল ব্লাইন্দ স্কুল তাকয়েলপাৎকী সুখাম বিদ্যারানি দেবীনা বি-১ ৱিমেনগী সোট পুটতা দেল্লিগী নিধি মিশ্রাদগী পোইন্ট ৩ হেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে। স্পোর্টস মীট অদুদা সুখাম বিদ্যরানিনা ৫.৬৫ মিটর শান্না লংদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

আইদিএল ব্লাইন্দ স্কুল তাকয়েলপাৎকী মঞ্জুর হুসেন্না বি-২ বোইজগী দিস্কস থ্রোদা মিটর ১৯.৯১ লংদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে। ইভেন্ট অসিমত্তংদা আইদিএল ব্লাইন্দ স্কুল তাকয়েলগী সলমান খাননা ১৯.০১ মিটর লংদুনা শিলভর মেদল ফংখি। বি-৩ মেন’স জেবলিন থ্রোদা মণিপুরগী থৌনাওজম বিশ্বরজিৎনা ব্লাইন্দ ৱেলফেয়র ইন্দষ্ট্রিএল ইনষ্টিট্যুট দেল্লি মীহুৎ ওইনা বি-৩ মেন’স জেবলিন থ্রোদা ৩৯.৬ মিটর লংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। ইভেন্ট অসিমত্তদা ৱেলফেয়র এসোসিএশন ফোর দ ব্লাইন্দ মণিপুরগী খ্বাইরাকপম বুধিনন্দনা মিটর ৩০.৭৩ লংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে হায়না মণিপুরগী টিম মেনেজর পি ধনঞ্জয়না খঙহল্লক্লি।

# নোর্থ ইষ্ট মেদিয়া স্পোর্টস ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে অমজুগী টিমনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ ঃ

আসাম স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট এসোসিএশন্না শিন্দুনা দিসেম্বর ৭ তগী গুৱাহাটিদা চত্থরকখিবা ৮ শুবা এন ঈ মেদিয়া স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৬ কী ইভেন্টশিং ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী মহুৎ শিনখিবা অমজুগী টিমনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

নোর্থইষ্ট মেদিয়া স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী বেদমিন্টন মশান্নগী সিঙ্গলস অমসুং টিম ইভেন্ট অনীমক্তা মণিপুরগী মহুৎ শিনখিবা অমজু টিম্না ৱিন্নর ওইখিবনি।

বেদমিন্টনগী সিঙ্গলস ইভেন্টতা অমজুগী ওইনা শরুক য়াখিবা এন বিক্রমজিৎনা ইন্দিভিজুএল ইভেন্টতা ৱিন্নর ওইখি। টিম ইভেন্টতসু অমজুগী মহুৎ শিনখিবা এন বিক্রমজিৎ, এন ফিলিপ অমদি টি লেনিন্দ্রো মঙাঙনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

ঙসি নেহরু ষ্টেদিয়মগী কনাকলতা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা বেদমিন্টনগী ইন্দিভিজুএল সেমী ফাইনেলদা এন বিক্রমজিৎনা দি দি কে গুৱাহাটি ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি। ফাইনেলদা এন বিক্রমজিৎনা প্রাগ ন্যুজ আসামবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা টিম ইভেন্টকী সেমী ফাইনেলদা অমজুগী টিম এন বিক্রমজিৎ, এন ফিলিপ অমসুং টি লেনিন্দ্রো মঙাংনা দি দি কে গুৱাহাটি ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। অমজুগী টিম অসিনা ফাইনেলদা আসামগী প্রাগ ন্যুজ ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

নোর্থ ইষ্ট মেদিয়া স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিদা অমজুগী মীওই ৮ রিচার্দ রঞ্জন, নিরমল, এস সোনিয়া, এন রিনা, ঈ ববিনা, এন বিক্রমজিৎ, এন ফিলিপ অমসুং টি লেনিন্দ্রো মঙাঙনা শরুক য়াখি।

ফেষ্টিভেল অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা মনা পীবগী থৌরম হয়েং নেহরু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

নীংশিংবা য়াই, স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিদা অমজুগী টিমনা নুপী অমসুং নুপাগী টেবল টেনিসতা ৱিন্নর অমদি রন্নর তাখিবনি।

# কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ ঃ ওল মণিপুর কাং এসোসিএশন্না শিন্দুনা কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা ইমা অঙৌবী কম্যুনিতি হোল কম কাংশঙদা চত্থরিবা মনি নহাকপম, মাঙ্গোলজাও থোইদিংজম অমসুং কুঞ্জবিধু হাওবম এ এম কে নীংশিং কাং টুর্নামেন্ট২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে এল এল কে কোংবনা আই দল্লিয়ু কে কে উচেকোন টিম এ পাঞ্জল ১০৬-৮৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেচ লৈরোই। মথংগী মেচ থা অসিগী ১৫ দা লাংমৈথেৎ অমসুং আই দল্লিয়ু কে কে উচেকোন টিম বিগা শান্নরগনি।

# ইম্ফাল ইষ্ট সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা পোইরৌ খোংজিন্দা লৈবা থম্বালনু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চত্থরিবা ঙাংখম বোবোয় মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা অংথা এফ সী অমসুং এস দল্লিয়ু সী মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা অংথা এফ সীনা পি ৱাই পি সী পুংদোংবম গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা অংথা এফ সীগী অহানবা গোল এল সুধিরনা মেচকী ৫ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল ৱাই বিপিন্না মেচকী ২৭ শুবা মিনিটতা, এম দি জেমসন্না টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা, এ মালেমঙানবনা টিমদুগী মরিশুবা গোল মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা অদুগা এন কেলিওনা টিমদুগী মঙাশুবা গোল মেচকী ৫৩ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা পি ৱাই পি সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কে ঐচ অজয়না মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এস দল্লিয়ু সীনা ৱাই বি সী গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা এস দল্লিয়ু সীগী গোল অহুম্মক টিমদুগী মরুওইনা শান্নরোয় সুরজনা থংনা থংননা মেচকী ২১, ৩১ অমসুং ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা ৱাই বি সীগী অমুজাওদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।




Authorised Tata Motors Dealers

TIDDIM MOTORS :

Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580

*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.

HL-B/3457/11/11-13/12




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com